# ‘ৱাই সুরচন্দ্রদা মরাল শীরক্লিবা অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অমদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবনি’



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : হন্দক মরক লোকল মীদিয়া খরদা কোর্টকী খূথাংদগী এম এল এ ওইরকখিবা ময়াংলম্বম রামেশ্বর অমদি মহাক্কী খূৎনেক ৱার্কর খরনা টর্ম অহুল্লক কারক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরল্লিবা ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা মরাল শীরক্লিবা অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অমদি লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তনি হায়না ইলেক্সন ষ্টেয়িরিং কম্মিটি ৱাই সুরচন্দ্রগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি ককচীং তুরেল ৱাংমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ইলেক্সন ষ্টেয়িরিং কম্মিটি ৱাই সুরচন্দ্রগী কনভিনর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোরকপদা, মীয়াম্না য়াদুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা টর্ম অহুল্লক কাদুনা মীয়ামগী দিভলপমেন্ট কয়াদা কথোকপা অমগা লোয়ননা মণিপুরগী মনুংদা মশক নাইবা এসেম্বলি কন্সটিটুয়েন্সি অমা ওইহল্লক্কবা হোৎনখিবা অসি ৱাই সুরচন্দ্র খক্তনি। অসুক শাংবা মতম অসিদা করিগুম্বা কেস অমা ফাওবা মহাক্কী মথক্তা লৈরক্তুগা হৌজিক্তা এম রামেশ্বর মশানা কেস তৌশিল্লগা মীয়ামদা মহাকপু কেস লৈ হায়জিল্লগা বি জে পিগী টিকেট পীবা য়ারোই হায়দুনা মীয়ামদা উৎ চাইনবা হোৎনবনি। অসিগুম্বা চপ চাবা প্রুভ অমদি ইভিদেন্স লৈতনা লান্না হায়জিল্লিবা অসিগী মথক্তা দেফেমেসন স্যুইট তৌদনিংঙাই মরম লৈতে। বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা অমদি সী এম এন বিরেননা লুচিংবা মিনিষ্টর, এম এল এ য়াওবা ককচীংদা শীনখিবা মীটিং অমদা মী ৪০০/৫০০ ফাওবা পুথোকপা ঙমদবদগী এম রামেশ্বর মশামক ইকাইবা নংখিবদগী হৌজিক-হৌজিক অঙাওবগী মতৌগুম্না মীয়ামদা ওইদ-পাদবা হায়জিন্দুনা খাঙলিবা অসিদা মীয়াম্না অসিগুম্বা ৱাফম অসি থাজবীগনু হায়খি।

ককচীংনা নোর্থ ইষ্টকী লূ-নানবা সীটিশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা থংন-থংননা প্রাইজ ফংলক্লিবা অসি ৱাই সুরচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা দিভলপমেন্ট তৌরকপগী মহয়ননি। ককচীং এ সীদা খ্বাইদগী য়াম্না বি জে পিদা মেম্বরশিপ এনরোলমেন্ট তৌখিবা অসি মহাক্কী মতমদনি। মসিগী মহয়না কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা আউটর এম পি ইলেক্সনদা এ সী নিপানগী মনুংদা ককচীং এ সীনা খ্বাইদগী য়াম্না বি জে পিগী ভোট ফংখিবনি। চৎলিবা থা অসিগী ৪দা ৱাই সুরচন্দ্রবু শৌগৎতুনা অমদি থাজদুনা চৎখিবা মীয়ামগী রেলি অদু অমুক্তা উখিদ্রিবা খ্বাইদগী মীশীং য়াম্বা রেলি অমা ককচীংদা ওইখি।

অসিগুম্বা খূদম চাংদম ময়াম অসিনা তাকপদি ককচীং এসেম্বলি কন্সটিটুয়েন্সিদা ৱাই সুরচন্দ্রবু মীয়াম্না ঙসিসু অদুম্মক য়ারি, শৌগৎলি অমদি মখা তানা শৌগৎকনি হায়বগী ময়েক লারবা খূদম অমনি। এম রামেশ্বর অমদি মহাক্কী কাঙলূপ্না ওইদ-পাদবা কয়া শন্দোরক্লিবা অসিদা লৈবাক মীয়াম্না থাজবীগনু হায়নসু মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

## মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদা চন্নবা হোৎনরগনি হায়বগী অচেৎপা ৱারেপ লৌখ্রে : ৱামা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (ৱামা) কংলৈপাক্কী এগজিক্যুটিভশিংগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা জন্যুৱারী ১৮দা ৱামা কংলৈপাক্কী তেরা সয়াং লৈরক্তা লৈবা ময়াই লোইশঙদা ৱামাগী প্রসিদেন্ট এম নাওখোম্বনা ময়াই তাংবল লৌদুনা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা মরুওইনা মণিপুরী লোল (মীতৈলোল)বু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদা চলহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবগা লোয়ননা মরী লৈনবা লোইশঙশিংদা অখন্নবা অহেনবা থবক লৌখৎহল্লগনি হায়বগী ৱারেপসু লৌখি হায়না ৱামাগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন নবকিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নৌনা ৱামা কংলৈপাক্কী থৌ পুবশিংগী মরক্তা ফম খরা হোংদোক-হোংজিন তৌবদসু মীফম অদুনা অয়াবা পীখি। জোইন্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা কে সী খুমনবু সেক্রেটরি এদ্যুকেসনগী ফম পুহনবা অদুগা হান্না জোইন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনগী ফম পুরম্বা ৱাহেংবম সনায়াইমবুনা জোইন্ট সেক্রেটরি এদ্যুকেসন ফম পুহনবগা লোয়ননা হান্না জোইন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনগী ফম পায়রম্বা লাইশ্রম সনাথোই লৈমবুনা সেক্রেটরি আর্ট এন্দ কলচর অমদি সনাবম ইবোমচাবুনা জোইন্ট সেক্রেটরি আর্ট এন্দ কলচরগী ফম পুহন্নবগী ৱারেপ লৌখি।

ৱামা কংলৈপাক্কী ওইনা অথুবদা বেঙ্ক একাউন্ট জোইন্ট হাংবগা লোয়ননা অকক্কবা মতমগী মনুংদা ৱামা কংলৈপাকপু লৈবাক্কী থাক্তা রেজিষ্টর তৌবদসু য়েৎনবা লৈতনা অয়াবা পীখি। লোয়ননা রেজিষ্টর তৌবদা চঙগদবা ৱামা কংলৈপাক্কী ইচিল-ইনাওশিংগী দোক্যুমেন্টশিং অথুবা মতমদা ৱামাগী ময়াই লোইশঙদা নৎত্রগা সেক্রেটরি এদ্যুকেসন কে সী খুমনদা পীশিনবা হায়নসু য়ানখি।

ৱামা কংলৈপাক্কী রেজিষ্টর তৌবগী থবক অসিদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা অমদি য়ানিংদবা লৈরবদি ঙসিদগী থানা নুমীৎ ৫নিগী মনুংদা য়েৎপীরকপা অমদি য়ানিংদবা ফোঙদোকপীরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বোমবুলা থাবদা পাখৎনরুরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ (ঐচ এন এস): ময়াংইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোনচাক মনিং লৈকাই এরিয়াদা শকখঙদবা মীওই খরনা বোমবুলা থাবদগী মফম অদুদা লৈবা মীওইশিং পাখৎনরুরে হায়রি।

বোমবুলা পোখাইবা মখোল তাবদা অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপ্পবোই নীংদুনা মিপাইনখি। মদুগী মতুংদা ময়াংইম্ফাল পুলিস অমদি অসাম রাইফলগী কাঙবু অমা লাকপদগী ঈংনা-চিক্না লৈনখি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ফেব্রুৱারি ২৭ অমদি মার্চ ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি ইলেক্সনগীদমক নুমিদাংগী মতমদা ভোট খোম্বা চৎলিবশিংদসু চাওনা চিংনবা পোকহল্লে।

# কিদনিদা নুঙ লৈরকপা

লৌশিং পুক্কে

## য়াবগী রিস্ক ৱাংহনবা মরমশিং

হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক মহৌশাগী ওইবা সর্কাদিয়ন রিদম নৎত্রগা নেচরেল ক্লোক অমগী তাম্থা মতুংইন্না মথৌ পাঙথোকই। মালেমগী অমম-অঙানদা য়ুম্ফম ওইবা সর্কাদিয়ন রিদম নৎত্রগা নেচরেল ক্লোক অদুগী মতুংইন্না কিদনিসু মথৌ তৌই।

মীওইবনা অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা মপান থোকপগী চাং ৱাংলগা নুমীদাংগী মতদনা হন্থবগী মরমসু সর্কাদিয়ন রিদমনা থোকহনবনি। স্বিটজরলেন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ লোসেনগী নাটসুকো টোকোনামিনা হায়খি, অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা হক্কী ঈশিং য়াম্না শুংবা মরম্না মপান থোকপগী চাং ৱাংই। নুমীদাংদনা হক্কী ঈশিং মরাং কায়না শুংদে। মসি পুম্নমক কিদনিনা মথৌ তৌবগী মওংদা খেন্নবা লৈবদগীনি।

হান্না খঙনরমদবা ৱাফম অমনা অয়ুক-নুংথিল নুমীৎকী মঙাল ফংলিঙৈদা কিদনিনা মথৌ তৌবগী মওংগা নুমীদাংদা তৌবগা খেন্নৈ হায়রি। কনাগুম্বা মীওই অমনা হীদাক লাংথক চাবা মতমদা কয়াম কুইনা হীদাক অদু হকচাং মনুংদা লৈরগা মথৌ পাঙথোকপগে হায়বদুসু কিদনিনা মথৌ ফজনা তৌবা নৎত্রগা তৌদবগী মখা পোল্লি। মরম অদুনা কিদনিবু হকচাংগী য়াম্না মরুওইবা কয়াৎ অমা ওইনা লৌনবনি। ৱাফম অসিমক জর্নেল ওফ দ অমেরিকান সোসাইটি ওফ নেফ্রোলোজিগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া সেন দিগোগী প্রোফেসার শর্ম্মনা হায়খি, সেল মেমব্রেন অমসুং নরভস টিস্যুদা য়াওবা ফেট্টি এসিদ মখল অমগী চাং ৱাংখৎলকপা মতমদা ইনফ্লেমেসন তৌরক্তুনা কিদনিগী মথৌদা অকায়বা পীরকই। মরম অদুনা স্পিঙ্গোমাইলিন কৌবা ফেট্টি এসিদ অদুগী চাং হেনগৎহন্দবা ঙম্লবদি কিদনিগী মথৌ ফজনা তৌহনবা ঙমগনি হায়রি। দাইবেটিসকী মরুওইবা খুদম ওইরিবা ইন্সুলিন দিফিসিয়ন্সি অমসুং ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্সকা কিদনিদা স্পিঙ্গোমাইলিন হেনগৎলকপগা নক্লবা মরী লৈনৈ হায়না ‘ইবাইওমেদিসিন’ জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা প্রোফেসার শর্ম্ম অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা ফোঙলকখি। কিদনিদা শোকহল্লকপা য়াবা অতৈ অতোপ্পা মরমশিংদি কিদনিদা নুঙ লৈবা, দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন অমসুং এথরোসক্লেরোসিসনচিংবনি। হায়রিবা মরম ময়াম অদুনা কিদনিগী ব্লদ ভেসেলদা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপদগী কয়াৎ অসি শোকহল্লকপনি। অমরোমদা, চহী য়ামশিল্লক্লবা নুপা খুদিংমক প্রোটেষ্ট চাউথোরকই। মদুনা মরম ওইরগা কিদনিদা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। মীরোনবী নুপী অমদি দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংসু ঈশিং মরী (য়ুরিনরি ট্রেক্ট) দা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। হীদাক লাংথক মখল খরগী সাইদ ইফেক্ট ওইনা কিদনি শোকহল্লকপসু য়াওদবা নত্তে। খুদম ওইনা এসিটামিনোফেন, এস্পিরিন অমদি অতৈ চৈনাখোল ফাথনবা হীদাকশিং, লোয়ননা কেলসিয়ম অমসুং ভিটামিন-দি সপ্লিমেন্ট কা-হেন্না শীজিন্নবনা কিদনি শোকহল্লকপা য়াই। কনাগুম্বা মীওই অমনা ডোক্তর য়েংবা মতমদা করম-করম্বা হীদাক-লাংথকশিং হান্না শীজিন্নদুনা লৈরিবগে হায়বদু ডোক্তরদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। মদুনা খুদোংথিবা থোরক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মখল অমত্তগী অনা-অয়েক য়াওদবা মওংদা মশা-মউ ফনা লৈরিবা মীওইশিংসু অদুমঙায়রে। নারক্লগা লায়েংগনি হায়না ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা নারক্তনবা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা মথৌ তাই।

ঈশিং মরাং কায়না থকপা হায়বসিনা কিদনিগী ফীভম ফনা থম্নবগী মরুওইবা পাম্বৈনি। চাং নাইনা ঈশিং থক্তুনা য়ুরিনরি সিষ্টেম শেংদোকপগা লোয়ননা ফেটকী শরুক নেম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাগদবনি। মরুওইনা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই। লোয়ন-লোয়ননা ঈশিং মরাং কায়না থকপগী তঙাইফদবসু লৈ। ঙসিগী মীরোলদা নুঙ লৈবগী থৌওং য়াম্না তোয়না থেংনরে। কিদনিদা নুঙ লৈবনা ঈশিং মরী ফুলহনবদগী মপান থোকপা য়াদবা, লেংবা থিনবা অমসুং অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। কিদনি শোকহল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। গাউট নৎত্রগা অতৈ মেটাবোলিক প্রোব্লেমনা মরম ওইরদুনা কিদনিদা নুঙ লৈরকপনি। খুদোংচাদবা অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগীদমক ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই। নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্তুনা নোংমদা হক্কী ঈশিং লিটর ২ হেন্না চৎহনখিগদবনি হায়রি। মনা-মশিংতমক চাবা ভেজিটরিয়নশিংদা নুঙ লৈবগী চাং নেম্না লৈ। অদুবু করি করি চীঞ্জাক চাবনা কিদনিদা নুঙ লৈহল্লকপগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মী-মীগী হকচাংগী সিষ্টেমদা খেন্নবা লৈবগী মতুংইন্না নুঙ লৈরকপা য়াবগী রিস্কসু খেন্নৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা গাওটনা নারবা মীওইশিংদা নুঙ লৈরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

কিদনিগী অনাবা ওইহল্লকপগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। মায়োং ক্লিনিককী রিপোর্ট মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা নুঙ লৈরকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লবগা লোয়ননা কিদনিগী লায়না কয়ামরুম নারকপা য়াই। অদুবু পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌবা ঙম্মী। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা; হীদাক লাংথক, মরুওইনা পেন-কিলর কা হেন্না চাবা অমসুং ফেট য়াওবা চীঞ্জাক য়াম্না চাবা মীওইশিং কিদনিদা নুঙ লৈরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়রি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি রিস্ক অসি হন্থহনবা ঙম্মী।

অতোপ্পা অমনা ইনফেক্সন, মৈনা পোকখিবা, দাইরিয়া, ওবা, ওপরেসন তৌখিবা নৎত্রগা কিদনিদা শোকখিবনা মরম ওইরগা কিদনি ফেল ওইহল্লকপা য়াই। মতম শাংনা ব্লদ প্রেসর ৱাংবগা লোয়ননা ব্লদ গ্লুকোজ ৱাংদুনা লৈরবসু কিদনি ফেল ওইহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা ব্লদ প্রেসর অমদি ব্লদ সুগর হন্থহনবা মথৌ তাই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## পোজিসন লৌখ্রবা মহৈরোয়শিংদা ইন্সেন্টিভ এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : খা-মণিপুর কোলেজ ককচীংগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী)না শীন্দুনা ঙসি কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা ৬শুবা সেমিষ্টর ২০২১গী এগজামদা পোজিসন লৌখ্রবা মহৈরোয়শিংদা ইন্সেন্টিভ এৱার্দ পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল অমদি ফাউন্দর টিচর নাওরেম ইবোতোম্বী, কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল এম সনাতোন অমদি য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী জোইন্ট দিরেক্টর টি ওজিৎ অমসুং ও এস দি ডা. টি ঐচ রোবেননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

৬শুবা সেমিষ্টর ২০২১গী এগজামদা মকোক-মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিং নাওরেম মালেমঙানবী, কে এস ঐচ রেনুকা, নাওরেম এলিসিয়া, নাওরেম সোনালি, য়ুম্নাম স্বামি রঙ্গ, নাওরেম কবিতা, নাওরেম নিরুপামা, মালেমঙানবী সলাম, অংচোং মরিং, লাইতোঞ্জম বিজেতা, সরাংথেম সনাতোম্বী, ক্ষেত্রিময়ুম য়ুগলনচিংবদা ইন্সেটিভ এৱার্দ ওইনা শেল অমদি সর্টিফিকেট পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি হায়রি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কোলেজ অসিগী এলম্নাই এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ককচীং ময়াই লৈকাই পাৎ পরেংদা লৈবা ক্ষেত্রিময়ুম শ্যামকেশোরনা কৎপা টোপ্পর এৱার্দ ওইনা কেশ প্রাইজ লুপা লিশিং ১০গী শেনফম ফিজিক্স সবজেক্তা মণিপুরগী টোপ্পর ওইরকখ্রবী নাওরেম মালেমঙানবীদা খূৎশিন্নখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্সেন্টিভ এৱার্দ পীবগী থৌরম অদুদা ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী)গী কোওর্দিনেটর কে এস ঐচ জয়কুমারনা কোলেজ অসিনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংসু মীয়ামদা ফোঙদোকখি হায়রি।

## শোর্ট টর্ম ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : নেসনল বেকৱার্দ ক্লাসেস ফাইনান্স এন্দ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন বি সী এফ দি সী) ন্যু দেল্লীদা স্পোন্সর তৌবা অমদি ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ওন্ট্রপ্র্যেন্যুরশিপ (আই আই ঈ), স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, গুৱাহাটি অমদি ৱাইল্ড ফোরেষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ স্কিল দিভলপমেন্ট (দব্লিয়ু আই এফ আই এস দি)গা খূৎশম্নদুনা নুমীৎ ৫০নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা শোর্ট টর্ম ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন মশরুম গ্রোৱর হায়বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ওক্সু নিংথেমচা খুলদা হৌদোকখ্রে হায়না ৱাইল্ড ফোরেষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ স্কিল দিভলপমেন্টগী প্রোপ্রাইটর এন্দ সোসল ওন্ট্রপ্রেন্যুর করাম অশিনিকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুমীৎ ৫০নি চুপ্পা চথুগদবা শোর্ট টর্ম ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন মশরুম গ্রোৱর হায়বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা কম্যুনিটি হেল্থ ওফিসর ওক্সু নিংথেমচা খুলগী অকোইজম বিদ্যাশ্বরী, দব্লিয়ু আই এফ আই এস দিগী প্রোপ্রাইটর করাম অশিনিকান্ত অমদি মাষ্টর ট্রেনর করাম মিলনকুমারনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দব্লিয়ু আই এফ আই এস দিগী প্রোপ্রাইটর করাম অশিনিকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা ইকোনোমিকেল্লি বেকৱার্দ ওইরিবা মীওইশিংদা থবক ইনখাং পীদুনা মখোয়গী শেন্থোক লম্বীদা মতেং পাংনবগী পান্দমদা অসিগুম্লবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই কয়া থবক ফংদবগী অৱাবা চৈথেং মায়োক্লদুনা লৈরি। মীওই খরা অমনা লৈঙাক্কী থবক তৌনবগীদমক হোৎনদুনা লৈরি। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবদি, লৈঙাক্কী থবক খক্তনা থবক ওইনা খনবগী ৱাখল্লোন অদু থাদোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা চঙশিন্দুনা শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মদুনা চাউখৎপা হায়বদু পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

## কাদানা তাকয়েল খোংবাল অমসুং লাংজিংদা দ্রাইভ চথুদুনা য়াম্লবা য়ুঙৌ অমদি য়ুঙাংশিং ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরূ ফংনা মুথৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাকয়েল খোংবাল অমসুং লাংজিং অচৌবা সী আর পি এফ গেট মমাংদা কাদাগী অখন্নবা টিম অমনা দ্রাইভ চথুদুনা নীংথিনা লেবেল তৌরবা য়ুঙৌ লিটর ২০০ রোম অমসুং ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিকর (আই এম এফ এল)শিং ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি চথুখিবা দ্রাইভ অদুদা ফাগৎলবা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাং য়োল্লম্বা মীওইশিং অদুদি মাইবম বুংঙো (৪৮) অপোকপা এম ইন্দ্রকুমার, তাকয়েল খোংবাল; লাইশ্রম ইবেতোম্বী মপুরোইবা এল সোভা, তাকয়েল খোংবাল; য়ুম্নাম রোসান্তা (২৭) অপোকপা ৱাই মুহিন্দ্রো, পাইসোই পার্টৱান অমসুং থোঙাম শরত (৫০) অপোকপা টি ঐচ শামু, লাংজিং অচৌবদা লৈবনি হায়রি। কাদানা ঙসি ফাগৎখ্রবা পোৎলমশিং অদুদি নোকফেৎ-নোকফেৎ, চকপা লৈয়ু, চাক্লম ফয়েং, চকপা কলৈ, কাও-থিন, চমেলৈ, লেবেল তৌদবা য়ুঙৌ অমসুং ওল্ড মোঙ্ক হাল্ফ অমা, মেকদোৱেল ক্বার্টর ৪ অমদি কিংফিশর বিয়র ৬নি হায়রি।

ফাগৎপা ঙমখ্রবা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাংশিং অদু তাকয়েল খোংবালদা পুরক্তুনা হৈদোক্তুনা মাঙহনখি। মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ চৎনদুনা দ্রাই ষ্টেট লাউথোক্তুনা মণিপুরদা য়ু শুংবা অমসুং য়োনবা য়াদবগী অথিংবা লৈনা-লৈনা মণিপুরদা য়াম্না নীংথিজনা লেবেল তৌরবা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাং মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট কয়া লিংখৎলক্তুনা য়াম্না ফোংনা য়োন্নরক্লিবা অসি মণিপুর লৈঙাক্না অয়াবা পীরব্রা নৎত্রগা খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদনা লৈরিব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওই। লমদম অসিদগী য়ু থিংদুনা হৌরক্লিবা ইরমদম মণিপুরগী নহাশিং য়ুগী ঈপাক্তগী পূকচেল শেংনা কন্নিংদে হায়বদু থৌওং অসিনা তাকচরে। মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওং অসি মীয়ামগী খনদবা শুপ্পগী শেন্দোং খক্তগী খনবা লৈঙাক অমনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। অমরোমদা, হৌজিক-হৌজিক ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মীখল য়াম্না নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং মরুওইনা য়ু থকপদগী পামদবা থৌদোক-ৱাথোকশিং থোক্লকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ঐখোয়গী লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা নুপীমচাশিংবু হন্থনা য়েংবগী কলচর অসি থাদোকপা মথৌ তাই : বিন্নি ঙাঙোম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস) : থবক শুফমশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফেমিনিন জেন্দর অমসুং পীক্লিবা নুপীমচাশিংবু হন্থনা য়েংবগী কলচর অমা লৈরিবা অসি থাদোকপা মথৌ তাই হায়না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি থৌবালগী চ্যেরপর্সন বিন্নি ঙাঙোমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি থৌবালনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লরিবা নেসনল গর্লস চাইল্ড দেগী থৌরমগী মনুং চন্না থৌবালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা বিন্নি ঙাঙোমনা মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা নুপানা নুপীগী মথক্তা ঙম্না চৎপগী কলচর অমা থায়না মমাংঙৈদগী অদুম্মক লৈদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা কলচর অসিনা লৈবাক অসিদা নুপী ওইবীশিংগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা মখলগী ক্রাইম কয়া থোক্লকহন্নবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদগী হৌজিক্তি মমা-মপা ওইবশিংনসু মচানুপীবু পামদবগী চাং অসিসু ৱাংখৎলকপগী খূদম কয়া অমা ঐখোয়না উরক্লিবনি। মসিগী ময়েক লারবা খূদম হায়বা তারগদি হৌজিক হরয়ানাদা থোক্লিবা সেক্স রেসিওগী চাং অসিদা অদুম্মক ময়েক শেংনা তাক্লে হায়বা য়াই। ঐখোয়গী লৈরিবা ষ্টেটশিং, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা নোংম-নোংমগী নুপীমচাগী মশীং হন্থরক্লিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না রিসোর্ছ পর্সন ওইখিবা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর (আই সী দি এস), নোদল ওফিসর (পি এম এম ভি ৱাই) ওইরিবা বন্তি কোন্থৌজমনা প্রাইম মিনিষ্টর মাত্রু বন্দনা যোজনাগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টর মাত্রু বন্দনা স্কিম অসিগী মখাদা এপ্লাই তৌবা য়াবা ক্রাইটরিয়াশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতৌ করম্না স্কিম অসিদা এপ্লিকেসন থাগনি অমদি স্কিম অসিগী মতাংদা মীয়াম্না তোয়না হংনগনবা ৱাহং কয়াগী মতাংদসু শুগায়না থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা মীয়ামদা তাকপী-তম্বীখি। লোয়ননা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, তশেংনা হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিদা নুপীগী থাক ৱাংখৎহনসি হায়দুনা মফম কয়াদা ঙাংন-শক্লরবসু তশেংনমক গ্রাউন্দ লেবেলদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপগী ফীভমদি লৈবা উদে। অসিগুম্লবা ৱাখল্লোন অসি শুপ্নগী চীন্দা খক ঙাং-শকপগী মহুৎতা থবক্তা ওন্থোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। মদুনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙম্বগা লোয়ননা নুপী-নুপা খায়দনা নুংঙাইনা হিংনবা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি হায়খি।

জিটসি মীট ভিদিওগী খূথাংদা ওনলাইনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পি এল ভিশিং, পেনেল লোয়রশিং, ককচীং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিগেল এইদ ক্লিনিকশিংনা নোমিনেট তৌরকপা মীওইশিং অমদি নিঙোল শঙলেন ওপন শেল্টর হোম ফোর গর্লস ৱাংবলদা লৈবা ইনমেটশিংসু শরুক য়াখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫। ০১। ২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ৬.২৬ ফাওবা ৱাকচিংগী ২২নি পাল্লি, মতুং ২৩ নি পাল্লনি।

মেষ: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা, লল্লোন-ইতিক্তসু চাওনা শেন্দোং ফংবা, থৌনা ফুদোকপগীদমক নথক থোংবনা চানবীবা অমদি য়েৎনবা লৈরসু ঙমজবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃষ: লাইবক ফবা, অনৌবা আশা অমা লাকপা, মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা চুপ্লে খনবা থবক পাঙবা য়াবা নুমিৎনি। লাঙতক্লবা অমদি ফিংবনা মাঙজবদি লৈ, তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিথুন: নচাক নরল চেকশিল্লু, হোয়া ফগনু, মীয়াম লোয়নবা কান্নবা ৱাৎকনি অমদি য়েক্লবনা শাওহনগনু। ইমুং-মনুং লোয়নবা অমদি অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস।

কর্কট: পাউ নুংঙাইবা তাগনি, লম চৎপা কান্নগনি অমদি অনৌবা মরুপ লোয়নবা ফগনি। লৈঙাকলোনগী লমদা পামদবা নংগনি, মরুপ মপাং থাজবা লুই, খম্থৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ: শোক-পনবা য়াবা লৈ, ফিংগনু অমদি শাওগনু। অঙম্বা অমদি মরুপ্পা য়ানবা হৈনা চৎলু। শেল-থুমগী লমদদি মায় পাক্কনি, খাঙবা কল্লদি ওইজ-ওইথক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচঙ লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: চোপ্পা নংদনবা, খুরৌ থাংদনবা অমদি মরুপ মপাংনা লান্না লৌখিদনবা নাইতোম ৱারেপ লৌরগা থৌ পাঙগনু। হান্নবা য়াৎথোক্লবা পোরমদমক পাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস।

তুলা: নীংবা মপা চাগনি, অয়াম্বা লমদা নীংবা থুংগনি। অতোনবা লোয়নরদি অমাঙবসু নংগদবা লৈ অদুবু মীয়াম্নদি চাল্লি। নোল্লুক্না চৎপনা মরুপকা কায়নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরিদি চেৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা অফবা অমদি অহেনবা মফম কনবা ঙমগনি। মীয়ামগী মতেংনা শোয়দনা নচাক নরল চাওখৎকনি, মতম মাঙহনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

ধনু: শেন্দোং য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি, খুৎচাও থাবা অমদি অনৌবা থবক পাঙবদা চিংনগনু। চিন্দা পাউদানবা অমদি অফা-অপুনগী লমদদি খরা পাঙলোই। খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মকর: খুরৌ থাংবা খরা লৈরসু থবক পাঙগনি, হৈ-শিংবনা নরল চাওখৎকনি, লান্দবনা মায় পাক্কনি, ৱাখল তান্নদবা লৈরল্লসু তান্নথোকহৌরো। মীরক চঙবা কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লান্দা লানগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কুম্ভ: মরুপ-মপাং অমদি মীয়াম তীনবদা নুংঙাইজবা ফংগনি, শেল/লৈতেং ফংগনি। নাইতোম থৌ পাঙদবা, মীতোপ থাজদবা অমদি অরুবা ৱারেপসু লৌদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিন: নথক থোংবনা চানবীবা, অকিবা লৈতনা থৌপাঙবনা মায় পাকচবা অমদি অফবা থবক্তা শেঞ্জাও থাদবসু য়াবা নুমিৎনি। য়েক্লবনদি লান্না পাউথোকপীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।